নহাশিংগী অখন্নবা ৱাখল : - নহা ফাল

নহাগী মপাঙ্গল

অদুগা নীংশিংলি মখোয়না, হায়দোক্তবা খোইশাওনবনা থিন্দৎলবা, নহা ওইরিবগী চাওখোকচবা নাপল। অদুগা মহৌশা খুৎশেমগী ফজবসু ফাওরি মখোয়দা। অদুগা লান্না থাজবগী মরকসিদা, হৈনবীগী ৱৈরাক্তগী, নীংখাইদুনা তারকই মীৎমাংদা।

(শৈরেং অসি শক্লাইরবা অইবা মেথিউ অর্নোল্ডনা ইবা 'পৱার ওফ য়ুথ' হায়বা শৈরেংদগী শ্রীভক্তনা মণিপুরী লোলদা হন্দোকপনি)

ঐ মসিমদি তৌবা ঙম্মী হায়না মীয়ামদা প্রুভ তৌদুনা উৎপা ঙম্নবা হোৎনবা চঙই

হোৎনবা কনবা অমদি খাঙবা কনবা অমগা লোয়ননা মীয়ামদা ঐ মসিমদি তৌবা ঙম্মী হায়না প্রুভ তৌদুনা উৎপা ঙম্নবা হোৎনবা অমা হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা তঙাইফদনা তৌবা মথৌ তাই। মদু লম্বী অমদা হেক্তা ওইবা য়াই। চৎলিবা খোঙচৎ অদুদা মায়পাক্লবগী অচৌবা লম্বী অমা শোয়দনা ওইগনি হায়না হৌজিক-হৌজিক স্কোটলেন্দদা পাঙথোক্লিবা নুপীগী ওইবা খ্বাইদগী ৱাংবা ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা স্কোট্টিস ৱিমেন্স প্রিমিয়র লিগতা রেঞ্জর্স এফ সীগী ষ্ট্রাইকর ওইনা শান্নরিবা ঙাঙোম বালাগা ৱারী শান্নরুবদা মহাক্না পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

ঙাঙোম বালা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুংচনবা ইরেংবম মমাং লৈকায়দা লৈবা ঙাঙোম মনিহার অমদি ঙাঙোম ওংবি মেম্মাগী মচানুপীনি। বালাগী মচিন-মনাউ মরিনি। হৌজিক-হৌজিক স্কোট্টিস ৱিমেন্স প্রিমিয়র লিগতা রেঞ্জর্স এফ সীগী ষ্ট্রাইকর অমা ওইনা শান্নদুনা থা অসিগী দিসেম্বর ৬তা শান্নখিবা প্লে অমদা মাদরৱেল এল এফ সীগী মায়োক্তা রেঞ্জর্স এফ সীনা গোল ৯ চনখিবগী মনুংদা বালানসু য়াম্না ফজবা হিষ্টোরিক ওইবা গোল অমসু চনখি। মহাক ইন্দিয়ন ৱিমেন সোকরগী পুৱারীদা ইন্দিয়াগী অহানবা ওইনা য়ুরোপতা পাঙথোকপা নুপীগী খ্বাইদগী ৱাংবা ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্টতা গোল চনবা ঙমখিবী নুপী ফুটবোলর অমনি।

বালা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা ফুটবোল মশান্না য়াম্না পামজবা মরম্না নুপীমচা অমা ওইরবসু নুপামচাশিংগী মরক্তা ফুটবোল শান্নবা য়াওদুনা লাকখি। অদুবু ইমুংগী লৈত-লায়রবনা মরম ওইদুনা ফুটবোল শান্নবা হৌরকপা মতমদা বুট অমা ফাওবা লৈবা ঙমখিদে। মহাক্কী থৱায় য়াওজবা অদু উরগা মহাকপু তাকপি-তম্বিরকখিবা মোংশাঙ্গৈদগী নেসনল প্লেয়র ওজা লোকেশ্বরিনা মতম অদুদা বালানা লৈবদা ৱারবা পামজবা অতাংবা মখলগী নিভিয়াগী বুট ফাওবা পীবিদুনা ওজা মশামক্না শান্নমিন্নরকখি। শান্নবা কয়াদা শরুক য়ানবগী চৎপদা য়ুমগী গাড়ি লৈতবনা অয়াম্বা মতমদা বসতা মহাক্কী অপোকপা ঙাঙোম মনিহারনা অদুমক থিন্দুনা লাকখি। মহাক্কী অপোকপগী থৱায় য়াওজবা অদু উরগা মহাক্না শান্নমিন্নরিবা শান্নরোইশিংনা বালাগী অপোকপগী ফুটবোলদা থৱায় য়াওজবা অদুবু থাগৎনখি অমদি ৱারীনখি। তশেংনা বালাগী অপোকপসু ফুটবোল প্লেয়র অমা ওইদুনা ষ্ট্রাইকর ওইনা শান্নরকখি। লৈবাক অসিদা অমদি ইরমদম মণিপুরদসু ফুটবোলবু পামজবা শান্নরোই কয়া লৈরি। অদুবু অতোপ্পা মপাল লম্‌শিংগা খেন্নবা কয়া অমদি লৈ। মরম অদুনা অতোপ্পা মপাল লমশিংদা চৎনরিবা মওং-মতৌশিং অসি ঐখোয় পুম্নমক্নসু মতৌ তমজনিংঙাইনি। বালা ফুটবোলগী লম্দা তোঙান-তোঙানবা টাইটল কয়াসু লৌখ্রে। নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা ফুটবোলগী লিগ কয়াদা তোপ-তোপ্পা মগুন চেনবা শান্নরোই অমা ওইনা টোপ স্কোরর এৱার্দ, ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা ৱিমেন্স প্লেয়র ওফ দি য়র এৱার্দ অমদি গোল্ড মেদল কয়াসু ফংখ্রে। লোয়ননা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স নেসনল ফুটবোল টিমগী ওইনা কুমজা ২০১৬গী এস এ এফ এফ ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপতসু টিম কেপ্টেন ওইখি।

বালাগী মখা তাবা পুন্সিদা হৌরক্লিবা শান্নরোইশিংদা থৌনা হাপ্পা ঙম্বা শান্নরোই অমা ওইবা ঙম্নবা হোৎনগনি। লোয়ননা লৈবাক মীয়াম্না অমদি মরুওইনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ফুটবোল খক্তা নত্তনা মশান্না অমদা হেক্তা শান্নবা পামজরিবা অঙাং অদুবু সপোর্ট তৌবিবা য়াম্না মথৌ তাই। শান্নবনা খুন্নাইদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরকপা ঙম্বগা লোয়ননা হকচাং ফনা লৈবসু ঙম্মী। ঙসিগী হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা লম্বী অমদা হেক্তা ওইবা য়াই, চঙশিল্লিবা লম্বী অদুদা য়াম্না কন্না হোৎনবা, দিসিপ্লিন লৈবা অমদি মীয়ামদা ঐ মসিমদি তৌবা ঙম্মী হায়না প্রুভ তৌদুনা উৎপা ঙম্নবা হোৎনহন্নিংই। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা শান্নরোইশিংবু পুক্নিং থৌগৎপীবা ওইনা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টদা হান্না লৈরম্বা পোষ্ট অদুদগী ইন্সপেক্টর রেঙ্ক ওইনা পীবিরকপা অমদি লৈঙাক্না ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নবা লিগ অসিদা শান্নবা চৎপগী অয়াবা পীবিরকপা অসিগীদমক্তসু থাগৎচরি। লোয়ননা মণিপুরগী শান্নরোইশিংবু পুক্নিং থৌগৎপীবা ওইনা গভর্ণমেন্টকী ওইবা সর্ভিস কয়াদা থবক তৌহনবিরিবা অসি অফবা খোঙথাং অমনি। অসিগুম্বা পুক্নিং থৌগৎপিবা অমদি মালেমগী মফম অমদা হেক্তা শান্নবদা শরুক য়ানবগী অয়াবা পীবিদুনা শান্নবা ফংবা অমদি মণিপুরদা পোকচরুবগী চাওথোকচবা অমসু ফাওই হায়নসু মহাক্না পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেটকী লৈঙাক্তা নোল্লুক্না হায়জনিংবা ৱাফমদি নুপী ফুটবোল্লর শেমগৎপদা ঙসি হোৎনবিরিবা অসিগুম্না অমুক্না হেন্না হোৎনহন্নিংই। নুপা ফুটবোল্লরশিং শেমগৎনবা হোৎনবদা থাদরিবা থবক-থৌরমশিং অদু নুপী ফুটবোল্লরশিং শেমগৎপদসু হোৎনহন্নিংই। করিগুম্বা নুপী ফুটবোল্লর শেমগৎ-শাগৎপদা অমুক্না হেন্না পুক্নিং চঙবিরবদি ইকুই কুইদনা লমদম অসিগী নুপী ফুটবোল্লরশিংনা মালেমগী থাক্তা শুংশোয়-শোয়দনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকপা ঙমগনি। লোয়ননা লৈবাক অসিগী শেল পায়রবা মীওই কয়ানসু অঙম্বা খরা খজিক্তং ওইরবসু কৎথোকপীদুনা শান্নবা পামজবা শান্নরোইশিংদা পুক্নিং থৌগৎপিরবদি ঙসি মণিপুরগী শান্নরোই কয়ানা লমদম অসিগী মায় পুরকপা ঙম্লিবা অসিগী মথক্তগী অমুক্না হেন্না লমদম অসিগী মায় পুরকপা ঙমগনি। লোয়ননা মহাক্না ফোঙদোরকখিবদা মতম কুইনা অতোপ্পা লৈবাক অমদা লৈরকপা অসিদা পোক্নফম লমদমবু য়াম্না নিংশিংদুনা পুক্নিং নুংশিবা মতমসু য়াওই। অদুবু মফম অসিদা ঐ করি তৌবা লাকখিবনো হায়বা ৱাহং থম্মোয়নুংদা হংজদুনা পুক্নিংবু ফাথনবা অমদি থৌনা পীনবা হোৎনদুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলগী হিষ্টরিগী শরুক অমা ওইরবা তানফম অসিদা অমুক্না হেন্না মপুংফানা থৌদাং লৌবা ঙম্নবা হোৎনরি। লোয়ননা ঙসি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নবা ঙমদুনা লৈবাক্কী মিংচৎ খরদং ওইরবসু পুরকপা ঙম্লিবা অসি মহাক্কী অপোকপা-অপোকপী, ইমুং-মনুং অমদি তাকপী-তম্বিরকপা ওজাশিংগী থৌজালনা ঙম্বনি হায়নসু মহাক্না পাউচে অসিদা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

❐ ঙাঙোম বালা, ষ্টার ফুটবোল্লর

ট্রান্সজেন্দরশিংসু লমদম অসিগী মায় পুরকপা ঙম্মী, ঐখোয়বুসু ইকায়খুম্নবিয়ু

নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

নোংলেনখোম্বা, ফাওগৎলক্লিবা মেকঅপ আর্টিষ্ট

মালেমদা মমিং লৈখিবা ফাওরবা মীওই কয়াগী পুন্সি হঙ্গৎনা য়েংলুবদা মীওইশিং অদুগী মরক্তা খুন্নাই অদুগী মিনোক-মৈশা কয়া নংখিবা কয়া অমসু য়াওদবা নত্তে। কনা অমনা অঙাওবনি, মিমান্নদবনি অমদি নোক্নবিদুনা মতেং পাংখিদবনা ৱানা পুন্সি হিংদুনা হোৎনবা কয়াসু য়াওখি। অদুবু মানা পামজনা চৎচরিবা লম্বী অদুদা পুম্নমক্না তোঙান্না য়েংবিরিবা অদুবু নাথৈরম্লগা হোৎনদবা য়াদে, মায়পাক্তবা য়াদে হায়না হোৎনখিবনা কায়নথংদা অঙাওবনি, মিমান্নদবা অমনি হায়দুনা নোক্নবিরম্বা মীওই অদুনা মায়পাক্লক্লুবা মতমদা মীওই অদুবু থাগৎনখিবা অমদি খুন্নাই অদুদা কান্নবা কয়া অমা পীবা ঙম্বা খক নত্তনা লৈবাক অদুগী মিংচৎ ফাওবা পুরকপা ঙমখিবা মীওই কয়া লৈখি।

মীওইশিং অদুগী মরক্তা পোক্নফম লমদম মণিপুরদসু অদুগুম্বা মতিক-ময়াই লৈবা তোপ-তোপ্পা মগুন চেনবা মীওই কয়া অমসু লৈখ্রে, কয়া অমসু লৈরি। মীওইশিং অদুগী মরক্তা চাওরাক্না হৌখিবা চহী ১৫ রোমদগী তোঙান-তোঙানবা ফিল্ম ৪০ রোমদা এসিষ্টেন্ট মেকঅপ আর্টিষ্ট ওইনা থৌদাং লৌরকখ্রবা মতুং ফিল্ম ২০ হেনবনা ফিল্ম অমগী মপুংফানা মায়পুনদুনা মেকঅপ আর্টিষ্ট অমা ওইনা থবক তৌখ্রবা তখেলময়ুম নোংলেনখোম্বসু অমনি। নোংলেনখোম্বা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা লম্লাই মখা লৈকায়দা লৈবা তখেলময়ুম মোহেন অমদি তখেলময়ুম ওংবি বালাগী মচানি। পুন্সিগী লম্বীদা অৱাবা কয়া মায়োক্নখ্রবসু অমদি ফিল্মগী মেকঅপ আর্টিষ্ট অমা ওইনা অহিং-নুংথিল খঙদবমখৈ থবক তৌরবসু মদুদা থোইনা ৱাখিবা লৈতে। অদুবু চৎলিবা অমদি হৌখ্রবা পুন্সিদা থেংনখিবা অৱাবা হায়রগদি লৈবাক মীয়াম্না নুপা অমা ওইরগসু ট্রান্সজেন্দরনি হায়দুনা লক্নবিবা অমদি হন্থবা মীৎয়েংনা য়েংবিবা অদুনা খ্বাইদগী হেন্না ৱাবা হায়বদু ওই। মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা ট্রান্সজেন্দরশিংদা য়েংবিরিবা মীৎয়েং অসি শেমদোকহন্নিংই। ঙসি লমদম অসিদা লম্‌ কয়াদা ট্রান্সজেন্দরশিংনা অফবা থবক কয়া অমসু তৌরি। মদুবু খুন্নাই অসিগী মীওইশিংনা পুক্নিং থৌগৎহন্নিংই। লোয়ননা মখোয়না তৌরকপা থবকশিংদা সপোর্ট তৌবিবগী তঙাইফদবা লৈ। ট্রান্সজেন্দরশিংসু লমদম অসিগী মায় পুরকপা ঙম্মী, ঐখোয়বুসু ইকায়খুম্নবিয়ু হায়নসু ফোঙদোরকখি।

মণিপুরী ফিল্মগী পুৱারীদা মমিং লৈরবা ফিল্ম 'পাবুংগী সাইকল, থাজগী মায়হিং, খোমৈ, য়াইফরে-য়াইফরে, ভি দি এফ থাসনা, দা. হেমোগী হেল্লোই, খুরাই অঙাউবি, মুৎলমদাই থাউমৈ, মীৎয়েংনা অমা ৱাখলনা অমা, কুন্দোরৈ, তোরো' নচিংবা ফিল্ম কয়াদা মেকঅপ আর্টিষ্ট অমা ওইনা থবক তৌখ্রে। লোয়ননা নৌনা লাক্কদবা ফিল্ম কয়াদসু হৌজিক-হৌজিক মেকঅপ আর্টিষ্ট অমা ওইনা থবক তৌরি। মণিপুরদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক টেলেন্ট লৈবা মীওই ঙাক্তনি। মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা হৌগৎলক্লিবা মীরোলশিংবু মানা-মানা পামজবা লম্বীদা চৎপদা ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা সপোর্ট তৌবিরবদি মণিপুরী খুদিংমক মালেমগী থাক্তা অফাওবা মশকনাইবা মীওই কয়া থোক্লক্কনি। অতেনবা মতমদা ফিল্ম পুথোক্লবা হোৎনবা মরম্না ফিল্মগী মেকঅপ আর্টিষ্টনা মপুংফানা ফজনা থবক তৌবা পাম্লবসু মতম তেন্না ফংবা মরম্না অতেনবা মতমগী মনুংদা মেকঅপ তৌনবা হোৎনবা হায়বসিসু অচৌবা চেলেঞ্জ অমনি। করিগুম্বা মতম খরা শাংনা ফংলগদি অমুক্না হেন্না ফজনা মেকঅপ তৌবগী খুদোংচাবা অদুসু লৈগনি। অদুবু তেনখ্রবা মতমগী মনুংদা লমদম অসিদা পুথোক্লরিবা ফিল্মশিং অসি য়েংলুরগদি মণিপুরী ফিল্ম পুথোক্লবা হোৎনরিবা মীওইশিং হায়বদি দিরেক্টর, প্রদ্যুসর, ম্যুজিক দিরেক্টর অমদি আর্টিষ্ট খুদিংমক অঙকপা ফংনা টেলেন্ট লৈ হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়নসু ফোঙদোরকখি।

নোংলেনখোম্বানা অহানবা ওইনা ফিল্ম মেকঅপকী লম্‌ অসিদা চঙলকপা মতমদা পোইজন খুরাইগী মখাদা মেকঅপকী মরমদা তমদুনা লাকখি লোয়ননা পোৎলোয় শেৎপা, লুহোংবগী কেবনচিংবনা লৈকায়গী মতৈমা থোকপা তখেল্লম্বম রেখাদা তম্লকখি।

নোংলেনখোম্বা নুপা অমা ওইরগসু অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মঙোন্দা নুপী অমগী মগুন খরা য়াওরকপা মরম্না মীয়াম্না অমদি খুন্নাইনা তোঙানবা মীৎয়েং অমনা য়েংবিদুনা লাকখি। লোয়ননা ইমুং-মনুংসু লৈত-লায়রবা ইমুং-মনুং ওইবা মরম্না লাইরিক-লাইশুসু তম্নবা হোৎনবদা অচৌবা অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা লাকখি। অঙাং ওইরিঙৈদা অয়ুক-নুমিদাং কয়াসু চারা হেন্দুনা লাকখি। ক্লাস টেন থারবা মতুংদা মখা তানা লাইরিক তমথনবগী এদমিসন তৌবা ঙমখিদবনা চহী খরসু দ্রোপ তৌখি। অদুবু তপ্না-তপ্না ফি শাবা অমদি ফি শুবগী থবক তৌদুনা শেল তুংশিনজরগা ক্লাস টুয়েলভ ফাওবা তমখি। মহাক্না খ্বাইদগী নুংঙাইখিবা মীকুপতি ক্লাস টুয়েলব পাস তৌরে হায়না খঙখিবা নুমীৎতুনা ওইরি। য়ুমগী লৈত-লায়রবদা মতেং পাংনিংবা মরম্না লাইগী ফি শাবা, শুবা-চাম্বগী থবক তৌদুনা য়ুমগী মতেং পাংদুনা লাকখি। অদুবু ঙসি ফিল্মগী লম্বী অসিদা চঙলক্তুনা মণিপুরী ফিল্মগী পিক্লবসু-চাওরবসু শরুক অমা ওইদুনা ইরোমদোম লেপচবা ঙমদুনা লৈবাক্কী অমদি য়ুমগী মতেং খরা পাংবা ঙম্লক্লিবা অসি মহাক্কী অপোকপা-অপোকপী অমদি মহাকপু তাকপী তম্বিরকপা ওজা পোইজন, ওজা হোমেন দি ৱাই, আর কে হোমেন, সুধির কাংজম অমদি সিনিয়র আর্টিষ্টশিংগী থৌজালনা ঙম্বনি হায়না ফোঙদোরকখি।

হৌরক্লিবা লমদম অসিগী মীওইশিংনসু মানা-মানা পামজরিবা লম্বী অদুদা চৎপা মতমদা মরি লৈনবা ওজাশিংদা মপুংফানা তমদুনা চঙহন্নিংই। মরমদি কম্পিটিসনগী মতম অসিদা লানফমদা চঙখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না তম্বগী তাঞ্জা ফংবা ৱাগনি। মরম অদুনা হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা খাংবা কনবা অমগা লোয়ননা ওজা নাইনা কন্না হোৎনবিয়ু। ঙসি মীয়াম্না তোঙানবা মীৎয়েং য়েংলগসু মায়পাক্লবা মতমদদি নহাকপু মীয়াম্না শোয়দনা শক খঙবিরক্কনি, ইকায়খুম্নরক্কনি অমদি লৈবাক্কী থৌগলসু তৌবা শোয়দনা ঙমগনি হায়না মহাক্না মখা তানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

ডা. খাইদেম অথৌবা

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

জয়কুমার তখেল্লম্বম, খুরাই অহোঙ্গৈ

ওনরেবল সী এমগী জিরি খোঙচৎ লমদম অসিগী মীচম অমা ওইনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মণিপুরগী লাইফ-লাইন অমসু ওইরিবা ইরং থোং হন্না-হন্না তেক্তুনা লৈরিবনি। চহী কয়া অসিদা দ্রাইভর কয়া শিবা-নাবা অমদি শোকপা কয়াসু য়াওখ্রে। হন্দক্কী ওইনদি ইরং থোং শেম্বা-শাবগী থবক নেসনল হায়ৱেজ এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোরপোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ আই দি সী এল)গী মীৎয়েং মখাদা ইন্দিয়ন আর্মিগী অখন্নবা ইঞ্জিনিয়রগী টিম অমনা মতম ইচঙ চঙহন্দনা ইরং থোং শাবা লোইশিনখি। ইরং থোং সী এমনা রিবোন কক্তুনা শঙ্গাবগী থৌরমদা ইরং থোং লেন্দ মরীগী আর সী সী ব্রিজ অমা শান্নবা ক্রোর ৪৯ কায়থোখিবগা লোয়ননা উরেপ-উয়ুংসু তমখ্রে। লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট ওফ দি ষ্টেট মোষ্ট ইমপ্রুভ স্মোল ষ্টেট ওভরওল অমসুং লো এন্দ ওদর এৱার্দ ২০২০ ফংলকপা অসিদা মণিপুরী মচা অমা ওইনসু চাওথোকচবা ফাওজে। অফবা গভর্ণমেন্ট অমা ওইহনবদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা চাওরাক্না মীওই লাখ ৩৫ মুক অসিগী থৌদাং চাওই। লাইওখ্রবা চীফ মিনিষ্টর ওজা নিপামচানা হায়বিরমই মদুদি মীয়াম্না ৱাখল তারিবমখৈ অমদি মতেং পাংলিবা মখৈ সী এমনা ঙমদবা লৈতে হায়না। ৱাফম অসিমক সী এম বিরেনগী মতমদা থোক্লে। মহাক্কী চহী অহুম মখায়গী লৈঙাক্তা বন্দ, ব্লোকেদ অমদি ষ্ট্রাইকনচিংবা কাউনবগুম লৈরে। চীং-তম নুংশিনবগী ফীভম ফগৎলে। ঈং-তপ্পা সনালৈবাক ওইরসনু।



হসনসনা এম এম, থৌবাল মোইজিং অৱাং লৈকায়

মালেমগী ওইনা কিনরবা কোভিদ-১৯ হায়রিবা মহিক অসিনা শোকহন্দবা মফম অসি লৈশিল্লক্তরে হায়বা য়াই। অদুবু ঐখোয়গী মণিপুর অসিদদি অঙকপা মওং অমদা চৎথরগা লৈরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। কনাগুম্বা অমা লায়না অমনা হায়বদি টি বি, কেন্সর, কিদনিগী ওইবা অসিনচিংবা লায়না অমবু নারবদি হোস্পিটাল চৎপা কিনবগী মওং অমদা লৈনরে। হৌখিবা থা খরগী মমাংদা থোকখিবা থৌদোক অমদা পুক নাবগী লায়নাবু করিমত্তা য়েংবিদনা কোভিদ ক্যের সেন্টরদা থারুবদগী শিবা য়াওখিবগী পাউ তাখ্রে। মসিনা তাকপদি হোস্পিটালদবু পুখৎলবদি ইহান হানবদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবা, পোজিটিভ ওইরবদি কোভিদ ক্যের সেন্টরদা থাবা হায়বসি তঙাইফদা লৌরে হায়বসিনি। অনাবা অদুবু হোস্পিটালদা পুখৎলক্লিবা অদুগী মরম করিমত্তা থিবিদনা লায়েংবিদবগী থৌওং তৌফম থোকপরা? লায়না অমনা নারগা শিরবদি শিজসনু অদুগা কোভিদ লায়নাবুনা লুনা লৌদবা য়াদে হায়রিবরা? পোজিটিভ ওইরবদি লায়েংবা য়াদে হায়বগী এস ও পি লৈরবরা? অসিগুম্বা থৌওং অসিনা তশেংনা কোভিদনা নারবসু লোৎশিনখিবগী তাঞ্জা লাক্কনি। হৌজিকসু মঙাই লৈঙাক্না এমরজেন্সি কেস ওইরবদি কোভিদ পোজিটিভ ওইরসু চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগা অনা-লায়েংগদবনি হায়রবসু মদু কদাই ফাওবা ঙাক্না চৎলিবগে হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমনি। লায়চৎ অসি ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা দোক্টরশিংনা মীয়ামগী অৱাবশিং উবিদুনা হেন্না মীয়ামগী থৌগল তৌহন্নিংই।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১২। ১২। ২০২০ইং, থাংজ; অয়ুক পুং ৭.০৩ ফাওবা হিয়াঙ্গৈগী ২৭নি পাল্লি মতুং ২৮নি পানগনি।

মেষ : শেল ফংগনি, অয়েৎপা কোক্কনি, য়েক্নববু ঙমজগনি, ঙাঙ-শকপা হৈগনি অমদি অরং অরাক ফংগনি। হকচাং নুংঙাইবা খরা ৱাৎলি-থৌয়াম পুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : কিবা, চিংনবা অমদি য়েৎনবা লৈরবসু নীংবা থুংগনি, খুৎ চাওবগীসু হেন্না কান্নবা ফংগনি অমদি হৈশিংবা উথোকপা য়াবা নুমিৎনি। ৱাখলগী পাঙ্গল লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : ইচং থৌবনা মায় পাকপা অমদি নক্নবশিংগী মতেং ফংবা নুমিৎনি। খুদক্কী ৱারেপ লৌবসু য়াগনি। চরাংনরবা অমদি মীনা ইনশিনবা লৌরবা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

কর্কট : পুক্নিং নুংঙাইতবা, অনম তানবদা অচানবা কাইনবা য়াবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা লৈ। অদুবু অনিংবা থবক পাংবা, পাঙ্গল ফুদোকপদা কান্নবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

সিংহ : লৌশিং ফুদোকপা ৱারবসু নীংবা থুংগনি, য়েৎনবা লৈরম্লসু কোকচগনি অমদি লেংদবা নরল লেপশিনবা নত্রগা ফংজবা লৈ। হন্থবদি লোয়ননু।
লৈশা পাখংশিংগী - ঙাঙ-শকপদা রাশি য়াওগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

কন্যা : লৌশিং ফুদোকপা অমদি লৌশিংনা পাঙ্গল ওইবা নুমিৎনি-অদুনা অচুম অরান খঙলগা থৌ পাংহৌরো। অতোনবনা অঙম্বদা লান্না তমশিনবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : হরাওবা নুংঙাইবা, লল্লোন ইতিক্তা চাওনা কান্নবা অমদি ইমুং-মনুং ৱা তানরগা পাংবা থবক্তা মায় পাকপা নুমিৎনি। লৈঙাক্কী লম্দদি মীখা পোল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

বৃশ্চিক : হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি অদুনা পাঙ্গল শীজিন্নবা থৌরম য়াওদবা ফৈ। হৈশিংবা ৱাৎলি অদুনা লৌশিং চাওবা মীগী ৱা তারগা থৌ পাংবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - চোপকনি-ৱায়াম ঙাঙগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

ধনু : মীচং হেনগৎকনি অমদি ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংজগনি। খুদোংচাবা লাক্কনি-তন্দুনা মাঙহনগনু। মরুপ মপাং লোয়নবসু য়াম্না কান্নগদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর : লম্ অয়াম্বদা মায় পাক্কনি। নশাদা লৈবা থৌনা অমদি হনবা লৈতনা হোৎনবগী কান্নবা মাঙহনগনু। মহু চাওবদৈ চেকশিল্লু, অরোনবা হায়দোক্নু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্ভ : পাইরক্কী লৌশিং চাওই, লৈঙাক্কী লম্দা মীকোক থোংগনি অমদি অনিংবা থবক পাংবদা খুৎলোইগনি। খোইরাংবা অমদি হোয়া ফবনা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন : মরুপ মপাংনা চানবীবা ৱাৎলি, ৱানোম থৌনোম কান্নরোই অমদি ইমুং-মনুংদসু নুংশিনবা ৱাৎকনি-তপথৌ। অয়েৎপদি কোক্কনি, শেল ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পুক্নিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/অশংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

লৌশিং পুক্কে

ট্রান্সজেন্দর নুপাশিংগী পুক্নীং-ৱাখলগী হকশেল-১

ট্রান্সজেন্দর নুপাশিংনা তোপ তোপ্পা মখলগী পুক্নীং-ৱাখলগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নে। পুক্নীং-ৱাখলগী অনাবা খরদি ট্রান্সজেন্দর নুপাশিংদনা হেন্না কম্মন ওইনা মায়োক্নে। হোর্মোন থেরাপি য়াওনা লায়েংশিং চথবনা মখোয়দা থেংনরিবা পুক্নীং-ৱাখলগী খুদোংচাদবা অদুদগী পোখাহনবদা মতেং পাংবা ঙম্বা য়াই। মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং, অমদি মখোয়বু করম্না সপোর্ট তৌবিগদগে হায়বগী মতাংদা খঙমিন্নসি।

অমেরিকান জর্নেল ওফ প্রিভেন্টিব মেদিসিনদা পল্লিস তৌখিবা ষ্টদি অমনা কোলেজ তম্লিবা চহী তাঙ্কক্কী মীওইশিংদা সিসজেন্দর ওইবা (পোক্লকপদা মশাগী ওইজরকপা জেন্দর অদু অদুম ওইজবা) মীওইশিং অমসুং জেন্দর মাইনোরিটি ওইবা মীওইশিং, অনীগী মেন্টল হেল্থ মার্করশিংদা লৈবা খেন্নবা অদুগী মরমদা পল্লি। মসিদা জেন্দর মাইনোরিটি হায়রিবা অসি মশাগী পোক্লকপদা ওইজরকপা জেন্দর অদুগী মহুত্তা অতোপ্পা জেন্দর অমা ওইরবা মীওইশিংবুনি।

পুক্নীং ৱাখলগী অনাবশিং থেংনবগী চাং অসি জেন্দর মাইনোরিটিগী মনুং চনবা মীওইশিংদনা য়াম্না ৱাংবা হেল্লি।

ষ্টদি অসিগী মতুংইন্না সিসজেন্দরশিংগা য়েংনবদা জেন্দর মাইনোরিটিগী মনুং চনবা মীওইশিংনা পুক্নীং-ৱাখলগী অনাবা য়ামদ্রবদা অমত্তং ওইরবসু থেংনবা য়াবগী চাং শরূক মরি হেন্না হেল্লি হায়রি।

মখোয়দা থেংনবা য়াবগী ওইথোকপা লৈবা পুক্নীং-ৱাখলগী অনাবশিংগী মনুংদা দিপ্রেসন, এঞ্জাইটি, মশানা-মশাবু শোকহঞ্জবা, চাবা থকপগা মরী লৈনবা দিসওর্দর, সুইসাইদক মরী লৈনবা ৱাখল নৎত্রগা সুইসাইদ তৌনিংবা পোকপা অসিনচিংবসু য়াওই হায়রি।

ষ্টদি অসিগা মান্নবা, বি এম সী পব্লিক হেল্থতা পল্লিস তৌখিবা ষ্টদি অমনসু ট্রান্সজেন্দরশিং লাইফ সেটিসফেক্সন হন্থরকপা অমদি নাইতোম তাবগী নুংঙাইতবা ফাওবগী খুদমশিং হেনগৎলকপনচিংবা থেংনবা য়াবগী চাং ৱাংই হায়বা থেংনখি।

অতৈ মীওই কাঙলুপশিংদগী ট্রান্সজেন্দরশিংনা হেন্না পুক্নীং-ৱাখলগী ওইবা খুদোংচাদবা থেংনহনবগী মচাক কয়ামরুম লৈ।

শূপ্না য়েংবদা সেক্স্যুএল ওরিয়ন্টেসন অমসুং জেন্দর আইদেন্টিটিগী মতাংদা সিসজেন্দরশিংদগী ট্রান্সজেন্দরশিংনা পুন্সি চুপ্পগী ওইনা ষ্ট্রেসর (ষ্ট্রেস লৈহন্নবগী মচাক) শিং থেংনবগী চাং হেল্লি। হায়রিবা ষ্ট্রেসরশিং অদুগী মনুংদা ইমুং মনুংনা রিজেক্ট তৌবিবা; নুংশিজবা মীওইশিংনা রিজেক্ট তৌবিবা; মশাগী চাউথোকচবা হন্থরকপা; খুদোংচাদবা নৎত্রগা অৱাবা মায়োক্নবগী স্কিল নেম্বা; বোদি ইমেজ ইস্যু; সেক্স্যুএল সেটিসফেক্সন ৱাৎপা অমদি এভোইদেন্ট বিহেবিয়র অসিনচিংবা য়াওবা য়াই।

অসিগুম্বা ষ্ট্রেসরশিং অসি পুন্সি চুপ্পা থেংনবগী ইফেক্টনা পুক্নীং-ৱাখলগী হকশেলদা অকায়বা পীবা য়াই।

লোনলিনেস (নাইতোম তাবগী নুংঙাইতবা ফাওবা)নসু পুক্নীং-ৱাখলগী ওইবা খুদোংচাদবশিং থেংনহন্নবগী মচাক অমা ওইবা য়াই।

জর্নেল ওফ ক্লিনিকেল মেদিসিনদা পল্লিস তৌখিবা ষ্টদি অমদা হায়খি মদুদি, সোসল লোনলিনেস হায়বসিনা ট্রান্সজেন্দরশিংদা পুক্নীং-ৱাখলগী খুদোংচাদবা লৈরক্লে হায়বা খঙনবা মরুওইবা মচাক্নি।

ট্রান্সজেন্দর নুপাশিংদা রোমান্টিক লোনলিনেস হায়বসিনা খ্বাইদগী অচৌবা ফেক্টর ওইরি। লোনলিনেসকী চাং ৱাংবগী মতীক পুক্নীং-ৱাখলগী হকশেলদা শোকপগী চাং হেল্লি হায়না ষ্টদি অদুনা উৎলি।

সোসাইটেল এক্সপেক্টেসনশিংনসু হীরম অসিদা থৌদাং লৌবা য়াই। জেন্দর এক্সপ্রেসনদা খুন্নাইনা য়েংবা মীৎয়েং অসি মফম অমগা মফম অমগা য়াম্না চাউনা খেন্নে।

মসিনা মরম ওইরগা ট্রান্সজেন্দর নুপাশিংনা পুন্সি চুপ্পগী ওইনা দিস্ক্রিমিনেসন মায়োক্নবা য়াই। মখোয়না পোসিবল ভাইওলেন্স, পসর্নেল প্রিজুদিস অমদি সোসল ষ্টিগমানচিংবা মায়োক্নবা য়াই।

থেংনরিবা ষ্টিগমাশিং অদুনা মরম ওইরগা মখোয়না থেংনরিবা পুক্নীং-ৱাখলগী খুদোংচাদবশিং অদুগী মরমদা ফোঙদোক্কদবা অমদি মতেং লৌগদবদু ঙমগন্দে।

অসুম্না তুমিন্না খাঙজিল্লগা লৈশিনবা অসিনা মখোয়বু অতোপ্পদগী সপোর্ট লৌগদবা অদু চাং হন্থহল্লি অমদি মতেং মথৌ তাবগী চাং অদু হেনগৎহল্লি, অসিগুম্বা কাখল অসিদগী নাম্থোরকপা ঙমদদুনা হেন্না হেন্না ফিভম শোকচিলহল্লকই।

ইস্যুশিং অসি লায়েংথোক্তনা থম্বনা পুক্নীং-ৱাখলগী ফিভম হেন্না শোকচিলহল্লি, অদুগা খরা হেন্না ফিভম শোকপা কেসশিংদনা দীপ দিপ্রেসন নৎত্রগা সুইসাইদ ফাওবগী থাক য়ৌহল্লকই।